HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




Vol. 51, Issue No. 78 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ | শগোলশেন, ইঙাগী ২৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, June 11, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# মমিৎ ১সুং মখূৎ পুল্লগা হিংনা ফাখিবা নাগা মীচম ৬ অশিবা হকচাং ওইনা ফংলে

## জেনিমসকী মীরেলশঙদা অশিবা হকচাং তরুক ঙাইখিবা খোইশাওনরবা মীয়াম্না পেন্দবা খোল্লাওশিং লাউরকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সনা তানখায়দুনা লাকশিন্নবা হোৎনরকপদা লায়েংশঙ অসিগী কেম্পসতা মোক বোম অমসুং টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপখ্রে


রেভরিন্দ মানু থিয়ুমাই


ফেনরোঙৱি থিয়ুমাই


ফেনরিলুং চৱাং


কালিৱাংবৌ অবোনমাই


পাষ্টর কেনপিবৌ


দিলিপ থিয়ুমাই


মে ১৩, ২০২৬তা লৈলোন ভাইফে খুলদগী ফাখ্রবা মতুংদা শিনা ফংলবা নাগা মীচম তরুক অমসুং মখোয়গী হকচাংশিং পুরক্কনি হায়দুনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা জেনিমসকী মীরেলশঙদা মীয়াম্না ঙাইনখিবা

**ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩গী অয়ুক্তা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু কৈথেলমানবী পি এসনা কোনবা কোটলেন অমসুং কোটজিম খুল অনীগী মরক্তা লৈবা আই ভি আরগী মফম অমদা কুকি টেররিষ্ট খূৎপু অমনা এম্বুশ তৌদুনা থাদৌ চর্চ লীদর অহুম হাৎখিবা অমসুং অতোপ্পা মরিবুনা শোকহনখিবা যৌদোক থোকখ্রবা মতুং পুং ২ রোম লৈরগা নুমিৎয়ুংলকপা অদুৱাইদা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী গমনোম সপরমৈনা পি এসনা কোনবা লৈলোন ভাইফে খুলগী নুপীশিংনা হান্না ফারবা মতুংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা মমিৎ অমসুং মখূৎ পুনশিল্লগা হিংনা ফাখিবা পাষ্টর অনী য়াওনা নাগা মীচম তরুক্কী হকচাং খুল অসিমক্কী মফম অমদা হাৎলগা ফুমজিল্লম্বদগী ফংলে।

ফাদুনা পুখিবদগী মফম খঙলক্ত্রিবা নাগা মীচমশিংদি কোন্সাখুলদগী রেভরিন্দ ডা. মানু থিয়ুমাই (৪৫), ফেনরোঙৱি থিয়ুমাই (৪৩), ফেনরিলুং চৱাং (৩৬), কালিৱাংবৌ অবোনমাই (২৩), দিলিপ থিয়ুমাই (৩৩) অমসুং জুনা খুলদগী পাষ্টর কেনপিবৌ (২৮)নি।

মখোয় তরুক্কপু তেক্ত-কায়দনা থাদোকপীরকউ হায়না নাগা ফুরুপকীদা নত্তনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা লেপ্পুনা আপীল তৌনরকপগা লোয়ননা মখল কয়াগী খোঙজং ফাওবা চঙশিল্লকখিবনি। অদুগা থা অসিগী ৩দনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পি আই এল নম্বর ৮ ওফ ২০২৬ ফাওবা ফাইল তৌরক্লুনা মখোয়গী খোঙ্গুল লীবীনবা হায়জরকপদগী মণিপুর লৈঙাক্না থৌদোক অসিগী কেস এন আই এদা খূৎশিন্নখ্রে হায়না ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনি।

নাগা মীচম তরুক্কী হকচাং ফংবগী মতাংদা পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লিবদি মমাঙ থাগী ১৩দগী লৈলোন ভাইফে খুলদগী ফাদুনা থমখিবশিংনি থাজবা হকচাং তরুক ফংলে হায়বসি কনফার্ম তৌরে। হকচাংশিং অসি পুং ২৪ রোম চূপ্না পুলিস, সী আর পি এফ অমসুং এ আরগী পর্সনেল ৪৫০ মুক্না স্নাইপর দোগ অমসুং ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংগা লোয়ননা থি-হুম্বগী থবক চখুরকপদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ফংবা ঙমখিবনি হায়রি।


হকচাং তরুক ঙাইখিবা মীয়াম্না পেন্দবা খোল্লাও লাউরকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সনা তানখায়নবা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপখিবা

পুলিসকী মায়কৈদগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকপগা লোয়ননা হকচাং তরুকমক্কী পাঙথোকফম থোকপা লোগী থবকশিং পাঙথোক্লগনি অমসুং মখা তাবা ইনভেষ্টিগেশন চখুরগনি হায়রি।

মীচম তরুক্কী হকচাং ফংলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকপদগী হকচাংশিং অদু ওফিশল ওইনা আইদেন্টিফাই তৌরগা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন চখুনবগীদমক জেনিমসকী মীরেলশঙদা পুরক্লগনি হায়বদগী ঙসি নুংথিলদগী হৌনা নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা মীরেলশঙ অসিগী কেম্পসতা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিং লাক্লুনা ঙাইনখি। হকচাং তরুক ঙাইবা মীওইশিংগী মশীং খঙহৌদনা য়ামখৎলকপদগী পুলিসনা মখোয়বু কন্ত্রোল তৌনবা য়োৎকী বেরিকেদ ফাওবা শীজিন্নখি। সিক্যুরিটিগী থৌওং অসিদা মীয়াম্না লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎপা লাকপনি হায়রদুনা মখোয়দা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কারোংদা ত্রক ২ মৈ থাদোকখ্রে, য়ু এন সীনা পুং ২৪গী টোটেল শটদাউন চথগনি লাউথোকখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩দা লৈলোন ভাইফে খুলদগী মমিৎ অমসুং মখূৎ পুনশিল্লগা কুকি টেররিষ্ট খূৎপু অমনা ফারগা পুখিবা পাষ্টর অনী য়াওনা নাগা মীচম তরুক্কী অশিবা হকচাং ঙসি কম্বাইন্দ ফোর্সনা খুল অসিমক্কী মফম অমদগী ফংলে হায়বগী পাউ তাবদা খোইশাওনরবশিংনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী কারোংদা লৈবা এম টি জায়োন হায়র সেকেন্দরি স্কুল মনাক্তা পোৎ চৈ পুবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## মণিপুরদা জল জিবন মিশন ২.০ পায়খৎনবা এম ও য়ু খূৎয়েক পীনখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচএনএস) :** ন্যু দেল্লীগীদমক ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখিবা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ঙসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ জল শক্তিগী মীহুৎশিংগা মণিপুর লৈঙাক্কী মরক্তা ষ্টেট অসিদা জল জিবন মিশন (জে জে এম ২.০) গী থবকশিং পায়খৎনবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা খূৎয়েক পীনখ্রে।

খূৎয়েক পীনবসিদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, মিশন ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## চীফ মিনিষ্টরনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি

**ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচএনএস):** মমাঙ থাগী ১৩দা লৈলোন ভাইফে খুলদগী ফাখিবা নাগা মীচম ৬পু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা থৌদোকপু চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরকপগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা লৈখিদ্রবা মীচম ৬কী ইমুংদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অসিগুম্বা থৌওং অসি তরাইনা লৌরোই অমসুং তূমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। মীচম ৬ হাৎপদা চেন্নবশিং ফাদুনা লোগী মতুং ইনবা চৈরাক পীগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## জুন ১৫দগী লৌমীশিংদা ফর্টিলাইজর অমসুং ওর্গানিককী হারশিং ফংহল্লগনি : পিটর সলাম

বিজয় লাইশ্রম

**ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা মে ৩,২০২৩দগী ঈরাং লৈরক্লবসু ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না চাদবদি য়াদবনিনা এগ্রিকলচর লোয়শঙনা চীঙ্গাক পুথোক্লিবা লৌমীশিংগী মথৌ তাবা ফৌদি, ফর্টিলাইজর, ওর্গানিককী হারশিং থা অসিগী ১৫দগী হৌরদুনা ষ্টেট অসিগী চীং অমসুং তমগী লৌমীশিংদা চৎতুনা য়েন্থোকপা হৌরগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী দিরেক্টর পিটর সলামনা ফোঙদোরকখ্রে।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উন্নবদা মহাক্না হায়, থবক অসি খক্তা নত্তনা এগ্রিকলচর লোয়শঙনা লৌমীশিংগা খূৎশম্নদুনা চৎলিবা কুমজা ২০২৬ অসিদা মোদর্ন ভিলেজ ৯গী লৌ পরি ...মখা লমায় ৩ কলম ২


দিরেক্টর, এগ্রিকলচর পিটর সলাম

## সী আর পি এফকী দি জিগী ৱাফম প্রিপাকনা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জুন ১০ :** সী আর পি এফকী দিরেক্টর জেনরেলনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম্বু আউটলো অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেশন পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী চার্জ দি এফ্যেরস (পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা) লৈবাকঙাকপা লুৱাংগী চেরোল অমনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

আউটলো অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেশন অসিগী 'সী আর পি এফকী দি জিগী ৱাফমশিং মীওইবগী ৱাখল চেন্দবা, মীনুংশি খঙদবা, শারমচৎ চৎপশিংগী ৱাঙাঙনি' হায়বা চেরোল অমনা হায়, হন্দক্তা কংলৈপাক (মণিপুর) দা লাকখিবা সী আর পি এফকী দিরেক্টর জেনরেল জ্ঞানেন্দ্র প্রটাপ (জি পি) সিংহনা হৌখিবা চৈচৎ ৮/৬/২০২৬ নিংথৌকাবা নুমিৎতা হৌজিক লমদমসিদা লৈরিবা ইন্সর্জেন্স অসি লোইশিনবগী মতাংদা মহাক্কী পর্সনেলশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু কংলৈ য়াওল ঈহৌগী পুৱারীদদি অনৌবা অমা নত্তে। মহাক্কী ৱাফম অসিদি কংলৈ পুৱারীগা মরী লৈনবা ৱাফম অসিবু লৈঙাক্লোনগী ওইবা পাম্বৈনা ৱারোইশিন পুরকপগী মহুত্তা মিলিটরি/নম্ফুগী পাম্বৈনা নমথগনি হায়বনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ত্রিপুরাগী আর বি শর্ম্মবু 'পিপলস আর্টিষ্ট কেম্প্যেন ২০২৬'গী 'দি আর্ট ওফ ইলিসিয়ম'গী এম্বেসেদর খল্লক্লে

**আগরতলা, জুন ১০ (এজেন্সী) :** মালেম্না শকখঙলবা ত্রিপুরাগী কমলপুরদগী হৌরকখিবা শক্লাইরবা লাই য়েকপা আর্টিষ্ট রাধাবিনোদ শর্ম্মবু '২০২৬ দি পিপলস আর্টিষ্ট' কেম্প্যেনগী খন্নবগীদমক হোল্লিৱুদকী এক্টর জোনি দেপ্পনা হৌদোকপা নন-প্রোফিট আর্টস ওর্গনাইজেশন অমা ওইরিবা 'দি আর্ট ওফ ইলিসিয়ম'গী এম্বেসেদর ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## য়ুনিয়ন এদ্যুকেশন মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধানগী মায়োক্তা জুন ২০দা লৈবাক শিনবা থুংনা খোঙজং চঙশিনগদৌরি

**ন্যু দেল্লী, জুন ১০ (এজেন্সী) :** কোক্রোচ জনতা পার্টি (সী জে পি)গী ফাউন্দর অভিজিট দিপকেনা করিগুম্বা য়ুনিয়ন এদ্যুকেশন মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধাননা মহাক্কী ফম অসিদগী রিজাইন তৌদ্রবদি লাক্লিবা থা অসিগী ২০দা লৈবাক শিনবা থুংনা মহৈরোয় কয়ানা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

